থম্মোয় পাউদম | হুইয়েন ইন্দু

# শিরমগদবা মখোয় খরদি কলহৌসি

অয়ুক অমসুং নুমীদাংগী পুং তরেৎ-মখায় হায়বসি ওল ইন্দিয়া রেদিও ইম্ফালগী পাউ তানবা মতমনি। কুইরবগী মমাঙদগী, থবক ফনা চিল্লবসু পাউগী থৌরম'সিমদি শোয়দনা তাননবা হোৎনরকই লমদমসিগী মী অয়াম্বনা, খুঙ্গং খুনয়া শীনবা থুংনা। টেলিভিজন লাক্লবা মতুংদা নুমীদাং পুং নিপান/মাপনগী মরুওইবা পাউ পাবগী মতম অসিবু 'প্রাইম-টাইম' হায়না খঙনদুনা এদভর্টাইজিং ফিল্মশিং টেলিকাষ্ট তৌবগী এদভর্টাইজিং- ফী মমল ৱাংনা লৌনখিবা অদুগুম, ওল ইন্দিয়া রেদিও ইম্ফালগীসু, অয়ুক অমসুং নুমীদাংগী পুং তরেৎ-মখায় প্রাইম টাইম অমনি। নোংমগী মনুংদা পুং কুনমরী (২৪X৭) লেপ্তুনা পাউ পাবা নেসনল অমদি রিজনেল নিউজ চেন্নল কয়া থোক্লক্লবসু 'প্রাইম-টাইম'গী পুংফম, ইমপোর্তেন্স অদুদি হোংদোকহনবা ঙমদে ঙসিসু। পাউগী পুংফম অসিদা অয়েংবা মী খ্বাইদগী য়াম্মী হায়বনি। অদুনদি, পাউ হায়বসি ঐখোয়গী পুন্সিদা কয়ামুক মরুওইবনো হায়বদু তাকচরে। পাউ-চে অমদি ইলেক্ট্রোনিক মীদিয়াগী পাউ পীবীনবা মেদিয়ম কয়া লৈরবসু 'রেদিওগী তরেৎ-মখায়গী পাউ তাহৌবরা' হায়বসি, ঙসিসু, অমনা অমদা হংনরিবা ৱাহংনি। পাউদুনা, লৈকায় খূদিং, য়ুমথোঙ খূদিং হীরম অমা নৎত্রগা অমদা নৈননবগী তাঞ্জা অমা পী।

অদুবু, হৌখিবা থা খরসি, পাউ তাবগী ফংলম্বা মহাউ, লাংতক্লবদু মাঙখিবগুম তৌরক্লে। অতৈগী নত্তে, তাবা ৱারবা কোভিদ-১৯-পেন্দমিক'কা মরী লৈনবা পাউ ময়াম অদু হঞ্জিন-হঞ্জিন তানি খল্লুবদনি। কোভিদতগী ঙাকথোক্লবা চেকশিন-থৌরাং, নিউজ-রিদরনা হায়খ্রবসু অতোপ্পা অমবু অমুক হায়হনবা... হৌখিবা পুং কুনমরীদা অনৌবা কোরোনা- পোজিটিভ-ওইবা-মী কয়া, থেংনরকখ্রবা, অনাবা কয়া শিখ্রবা, কয়া ফগৎলকখ্রবা অসিনচিংবগী ইনফোর্মেসন অদুনা হেদলাইন নিউজ ওইরক্লিবা ফনা কুইরক্লে। তাবা ৱাবা পাউ ওইরক্লে। চুম্মী, মরুওইবা পাউ অমনি, পীফম থোকই পীগদবনি। অদুবু, ঐঙোন্দা নাকোং ৱাই চিনবা পাউ ওইনা থোক্লিবগী মরম-পাউ খুৎপী অদুননি। ঙসি ফাওবদা, মণিপুরদা পোজিটিভ কেস, পুন্না লীশিং হুম্ফুতরানিপান-মাপন শুখরে, লায়নাসিনা হাৎখিবা/শিহনখিবা মী লীশিং অমগা চহী-চহুম শুখরে, হায়দুনা- অপূনবা পোজিটিভ ওইখিবা অমদি শিখিবা য়াল্লবা মশীং অদুদা ইমপোর্তেন্স পীদুনা পাউ পারিবা করিগীনো? অতাবশিংগী ৱাখলদা অকিবা অমা পোকহন্নবা পান্দমলা? হৌজিক এক্টিভ ওইদুনা লৈরিবা মীওই লীশিং মরী মঙাখক'তুগী পাউ পীরবদি মীয়াম্না নিংদোল পোল্লরোই, মখোয় লীশিং মরী-মঙাখক অসিবু সরকারনা লায়েংবীবা ঙমদবা করিগীনো- ওনশিন্দুনা হংলক্কনি কিবগীরা? ইন্দিয়াগী কোরোনা হোট-স্পোট অমা ওইরম্বা 'দেল্লী' সহর, হোস্পিটালশিংদা ওক্সিজেন ফংদবগী, মী লেপ্তুনা শিরকপগী, লায়েংফম কোন্নরক্তদুনা রাম-লীলা গ্রাউন্দ'দা টেম্পরেরি হোস্পিটাল শাদুনা হোৎনখিবগী... অকিবই মশক ওইরম্বা, আউত ওফ কন্ট্রোল ওইরগনি খন্নরম্বা ঙসিদি পুমইং ঈঙখরে। মীকোক ক্রোর অহুম মখায়রোম লৈবা য়ুনিয়ন টেরিটোরি'দুদা ঙসি, নোংমদা পোজিটিভ কেস ৮০/৯০দগী হেন্না হেনগৎলকখিদরে। শিবই চাংসু অনী, অহুম, মরী। অপূনবা মীশিং লাখ কুন্থ্রামুক্তগী হেন্দবা মণিপুর'সিদনা, নোংমদা পোজিটিভ কেস- চাতরেৎ, চানিপান, চামাপন ! কোরোনা'না শিবা মশীংসু তরামরী-মঙা-তরুক ! দেল্লীগী এলার্মিং ওইবা সিচ্যুয়েসনগী মওং অদু নত্তবরা? 'সিমক্তদা সরকারসিনা কোরোনা লাকশিন্নবইদমক্তা অখন্নবা থৌরাং অসি পায়খৎখ্রে, অদু তৌখ্রে- হায়বনচিংবা, থম্মোয় অসি চাউখৎপা পাউ অমত্তসু পারক্তে। পাক্তক্লনা ভেক্সিন কাপথোক্লনি... মাস টেটিং তৌরনি, য়ুমথোঙ খূদিং চঙলনি... কয়াম কুইরে তারক্লিবা ! 'ইমর্জেন্সি', অমসুং 'ৱার-ফুত্তিং' হায়বা ৱাহে অনীসিগী ৱাহন্থোক খঙদবা মাল্লি মণিপুর-লৈঙাক। অসুক কনবা কোরোনাগী চৈথেঙ অসি মায়োক্লনবা অখন্নবা অথুবা থৌরাঙ লৌখৎপা থেংনদে। য়ুমকোক খূদিংগী মী অমত্তা খাক্তনা, মেদিকেল টিম থাদুনা কোভিদ-টেষ্ট তৌথোক্কনি হায়রম্বদু থবক ওন্থোকপা হৌরক্লবা মতমদদি ৱারোল অদু হোংলক্লে... 'ঈমুং অমদগী মী অমমম খনগৎতুনা টেষ্ট তৌগনি, পোজিটিভ ওইরল্লবদি ঈমুংদুগী মী পুন্নমক টেষ্ট তৌগনি'। ঈমুংদুগী পোজিটিভ ওইবা মীশক্তুদি থোরক্তনা মশা ফবা নহাদু থোরক্লম্বা থোক্লবদি থৌওংদু করি কান্নরি? অসিগুম্বা মাস-টেষ্টিং প্রোগ্রাম পাঙথোকখ্রবা লৈকায় অমগী মরুপ অমদা হংলুবদা খুল্লকখি... 'ঐখোয়গীদি ঈচানুপাদু তৌরুরে, নেগেটিভ ওইরে... মমাসু ঐসু লোক-খরা-খরা চেনবসিদা পোজিটিভ ওই হায়রক্লবদি দোষা তারমগদবদু কলহৌরে'...। ৱারীসি তৌরুবদা মরুপ অমনা হায়রকখি.... 'খঙদেদা, ঐখোয়' লৈঙাকসিবু করি হায়গদবনো! ঐখোয়' খুনসিগী তুরেল ৱাংমদা য়ুম তরামরী-মঙাখক তাবা লৈকায়সিগী মীওই খূদিংমক পাক্তক্লনা কোরোনা নাখি, টেষ্ট তৌরুবদি নত্তে, সিম্পটোমদুদা খঙবনি... হিদাক লাংথক চারগা ফববুদি ফরকখ্রে, শিবা য়াওখিদবদু লাইবক ফবনি'...। হায়জ নিংবদি- 'স্তেতিস্তিক্সকী রান্দম-সেমপ্লিং-ফোর্মুলাদু পান্দুনা কোভিদ-টেষ্টিং তৌবা হৌনদে, তৌরবদি মীপুম খূদিং অমত্তা খাক্তনা তৌবীয়ু' হায়বসিনি। ৱুহান সহর'দা চাইনিজ ওথোরিটি'না পায়খৎখিবা থৌরাঙদু নীংশিংসি। অকনবা, অহকপা থৌরাং খরদি পায়খৎপীয়ু। লমহেনবশিং চৈরাক পীবীয়ু, কিহনবখক্তনা চৎনবা য়ারোই।

লাক্লবা ঙমদ' হেনগৎলক্লিবা কোরোনা- কেস য়েংশিনবা লাকখিবা সেন্ট্রেল-টিম অদুনা করি হায়রম্বা? মতুং তাবা করি থৌরাঙ লৌখৎলবা? করি অহোংবা লাক্লবা? ঐখোয়বু করিমক্তা খঙহন্দনা থল্লিবা করিগীনো? অসুম্না তৌদৌ ওইরবদি, মখোয় লাক্লমবই পাউ অদু অরোনবা ওইনা থল্লম্বনা ফত্ত'রা? করিগী জেনরেল নিউজ ওইহল্লুরি? হৌজিক্তি ইনফোর্মেসন অদু খঙনবগী ঐখোয়গী রাইট লৈফম থোকই।

অদুগা, অতোপ্পা ৱাফম অমনা-ওনরেবল চীফ মিনিষ্টরনা লাউথোকপীখি... পেন্দমিকসিনা মরম ওইদুনা চহীসিদা থবক পাঙথোকপা ঙম্লরোইদবা গভর্ণমেন্ট-দিপার্টমেন্ট খরগী ফন্দ রি-এপ্রোপ্রিয়েৎ তৌদুনা কোরোনাগী চৈথেঙদা অৱাবা নংলবা ঈমুং লাখ অমরোমদা মতেং ওইনা লুপা লিশিং মঙা-মঙা (অহানবা ওইনা তংখায়) পীনবা শেম-শারে, য়াম্নমক পুকচেল চাউরবা থৌরাঙ-থৌশিল অমনি। থাগত্তবা ঙমদে, থাগৎচরি। অদুবু, শিখ্রবা থৱায়শিংদুদি অমুক হল্লক্লরোই। হৌজক লেপ্তুনা হেনগৎলক্লিবা ময়ামসিগী মরক্তা, কনবা ঙমদা শিখিগদবা কয়া অমসু য়াওরিবনি হায়বসি হায়মনবা থোক্লোই। মখোয়বু লায়েংবীনবা মতেঙ ওইনদি লুপা কয়া কায়থোকপীরবগে?

# কোভিদকী ৱানরবা মতমসিদা লৌমীশিংদা হার নীংথিনা ফংহন্ননবা অখন্নবা থৌরাং পায়খৎহন্নিংই : আর কে আনন্দ



ইম্ফাল, জুলাই ১৩ (ঐচ এন এস): বি জে পি মণিপুর প্রদেশকী ষ্টেট এগজিক্যুটিভ মেম্বর ওইরিবা নাওরিয়া পাখংলাকপা এ সীগী এক্স-এম এল এ, আর কে আনন্দনা এ সী অসিগী মনুংদা লৈরিবা লৌমী ৪০০ রোমদা য়ুরিয়া হার অহোংবা মমলদা ফংহনখ্রে।

এক্স-এম এল এ, আর কে আনন্দগী মীৎয়েং মখাদা কোওর্দিনেটিং কম্মিটি নাওরিয়া পাখংলাকপা কেন্দ্রনা এ সী অসিগী মনুংদা লৈরিবা ক্লব, ওর্গনাইজেসন কয়াগা পুন্না খুৎশম্ন দুনা য়ুরিয়া হারশিং অদু লৌমীশিংদা ফংহনখিবনি। হারশিং অদু ক্বাকৈথেল অখাম লৈকায়দা লৈবা এক্স-এম এল এগী য়ুমদা য়েন্থোকপা হৌরবা মতুং কোভিদ-১৯ লায়না-লাইচৎনা মরম ওইরগা লাকপা ঙমদবা ফার্মরশিংগী ওইনা কোওর্দিনেটিং কম্মিটি নাওরিয়া পাখংলাকপা কেন্দ্রগী টিমনা লৌমীশিংগী লৈফম তম্না থিন্দুনা ফংহনখি। লৈঙাক্লা লেপ্পা মমলদগী ত্রান্সপোর্টেসনগী চার্জ খরা হাপ্লগা অহোঙবা মমলদা হার ফংহনখিবা অসি বি জে পিগী সেবা হি সঙ্গথনগী শরুক অমা ওইনা পায়খৎখিবনি।

লৌমীশিংদা অহোংবা মমলদা হার ফংহনখিবা অদুগা মরী লৈননা এক্স-এম এল এ, আর কে আনন্দনা হায়খি, কোভিদ-১৯ লায়না-লাইচৎ মরক অসিদা নাওরিয়া পাখংলাকপা এ সীগী লৌমী কয়ানা লৌউ-শিংউবগী থবক খরা খরা হৌনবগা লোয়ননা হৌজিক হার চাইবগী মতম ওইরকপা অসিদা এম এল এ লৈতবনা লৌমীশিংনা থেংনরিবা খুদোংচাদবা কয়া অসি কোকহন্ননবা লৈঙাক্কী মতেং লৌরগা হারশিং অসি ফংহনবগী থবক পায়খৎলকপনি। লৌমীশিংদা অহোঙবা মমলদা হার ফংহন্ননবা হোৎনবদা বি জে পি মণিপুর প্রদেশকী কিষান মোর্চানসু অচৌবা মতেং পাংলকখি।

লৈঙাক্লা হার য়েন্থোকপদা মথৌ তাবা লৌমীশিংগী পাট্টা, আধার কার্দনচিংবা মরী লৈনবা চে-চাংশিং পুরক্লগা লৌমীশিংনা অদুম্মক অহোঙবা মমলদা হায়বদি ত্রান্সপোর্টেসনগী খরা য়াওরগা হারশিং অসি লৌরবা য়াগনি। কন্টেনমেন্ট জোনদা লৈরিবা লৌমীশিংদসু হারশিং অসি নীংথিনা ফংহন্ননবা হোৎনগনি। হৌজিক নোং নীংথিনা তাদবদগী লৌফমশিংদা ঈশিং নীংথিনা ফংদবগী অৱাবা কয়া মায়োক্ল রি। লৈঙাক্লসু লৌফমশিংদা ঈশিং নীংথিনা ফংহন্ননবা থবক পায়খৎপীয়ু। চীফ মিনিষ্টর অমদি এগ্রিকলচর মিনিষ্টরনসু কোভিদকী ৱানরবা মতম অসিদা লৌমীশিংগী য়েংবীরগা হার ফংহনবগী মতাংদা অখন্নবা থৌরাং খরা পায়খৎহন্নিংই হায়নসু মহাক্ল মখা তানা ফোঙদোকখি।

হার য়েন্থোকপগী থৌরম অদুদা বি জে পি কিষান মোর্চা মণিপুর প্রদেশকী ভাইস প্রসিদেন্টসু ওইরিবা বি জে পি ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট অমসুং সিটি দিষ্ট্রিক্টকী ইন-চার্জ মুতুম দিনেশনা হায়খি, নাওরিয়া পাখংলাকপা এ সীগী ওইনা এম এল এ লৈত্রগসু বি জে পি মণিপুর প্রদেশকী ষ্টেট এগজিক্যুটিভ মেম্বর ওইরিবা এক্স-এম এল এ, আর কে আনন্দনা লৌমীশিংদা অহোঙবা মমলদা হার ফংহনবা অসি থাগৎনিংঙাইনি। লৌমীশিংনা থেংনরিবা খুদোংচাদবশিং কোকহন্ননবা হোৎনবদা পাংবা য়াবা মতেংশিংসু পাংগনি হায়নসু ফোঙদোকখি।

# ত্রিপুরাদা লৈরিবা অৱাবা তারবা মৈতৈ খুঙ্গংশিংদা তেংবাঙ পীখ্রে

ত্রিপুরা, জুলাই ১৩ (ঐচ এন এস): মালেমগী ওইনা মীপায়নিংঙাই ওইরবা কোভিদ-১৯ লায়না-লাইচৎনা মরম ওইদুনা ত্রিপুরাদা অৱাবা তারবা মৈতৈ খুঙ্গংশিংদা পুথিবা ৱেলফ্যের এন্দ কলচরেল সোসাইটিনা বেরিমুরা রিক্রিএসন ক্লবকী মতেং লৌরগা ঙসি বেরিমুরাদা পাঙথোকপা থৌরম অমদা চান-থক্লবা পোৎলম কয়া য়েন্থোকখ্রে।

ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী মোহানপুর সব-দিভিজনগী মনুং চন্না লৈবা মৈতৈ খুঙ্গং বেরিমুরা, বোরজুশ, রঙ্গুসিয়া, বোগজুর, গোচামুরা, সোনাতালা, নোৱাগাওনচিংবা খুঞ্জাশিংদা চেঙ, হৱাই, থাউ, থুম, আলুনচিংবা পোৎলমশিং য়েন্থোকখি। থৌরম অসিগা মরী লৈননা হৈ-রা পান্থী খরসু থাখি।

থৌরম অদুদা পুথিবা ৱেলফ্যেরগী সেক্রেটরি সিনাম দীপক কুমার, মরুপ পাউচেগী জোইন্ট এদিটর আর কে তরুনজিৎ, রিক্রিএসন ক্লবকী সেক্রেটরি তখেলচঙবম অমর দট্ট, পুথিবা ৱেলফ্যেরগী ভাইস প্রসিদেন্ট এন নিরঞ্জম দট্ট, কে এস ঐচ ধনজিৎ, ময়েংবম বালদেব, রজিব দট্ট, বিপ্লব শর্ম্মা, এন সুবির, নমিতা দট্টানচিংবা ৱেলফ্যের অমসুং ক্লবকী থৌমীশিং শরুক য়াখি। পনবা য়াবদি পুথিবা ৱেলফ্যেরনা জুন ২৫দগী খুঙ্গং কয়াদা পোৎলমশিং য়েন্থোকপগী শরুক অমা ওইনা ঙসি বেরিমুরাদা য়েন্থোকখিবনি।

# সোলো দান্স ফেষ্টিভেল পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, জুলাই ১৩ (ঐচ এন এস): মণিপুরগী কলচর য়োকখৎপদা ঐখোয় পুন্নমক্কী অচৌবা থৌদাং লৈ। ৱাফম অসি ঙৱাং মিনিষ্ট্রি ওফ কলচর, গভর্ণমেন্ট ওফ ইন্দিয়াগী মীৎয়েং মখাদা অনোইশঙ উর্মিকা নত্যশালানা শীন্দুনা সোলো মণিপুরী দান্স ফেষ্টিভেল ২০২১ ওনলাইনগী খুত্থাংদা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা শরুক য়াখিবা রাজ্য সভাগী এম পি মহারাজ লৈশেম্বা সনাজাওবনা হায়খি, কোভিদ-১৯ পেন্দমিক মরকসিদা অসিগুম্বা থৌরম পাঙথোক্তুনা মণিপুরগী লৈজরিবা আর্ট এন্দ কলচরগী মশকপু মালেমদা চাউখৎনবা হোৎনবদা শীনবী লাংবীরিবশিংবুসু পূক্নিং থৌগৎখি। ফেষ্টিভেল দিরেক্টর উর্মিকা মাইবমনা পাঙথোকখিবা থৌরমগী নুংগী ওইবা ৱারোল পীরদুনাহায়খিবদা ঐখোয়গী কলচরবু তোঙান-তোঙানবা মশক্তা উৎলিবা আর্ট ফোর্মশিংগী তঙাইফদনা য়োকখৎনবগী পান্দমদা সোলো দান্স ফেষ্টিভেল অসি শীঞ্জখিবনি। ঐখোয় খূদিংমক্লা ইশা-ইশাগী নাৎ, চৎনবীবু ঙাক্লা থম্মিন্নসি হায়খি।

ওনলাইনগী খুত্থাংদা পাঙথোকখিবা থৌরমদুদা মোইরাংথেম মচা চাওরৈকনবা, এসিষ্টেন্ট প্রোফেসর দিপার্টমেন্ট ওফ দান্স এন্দ ম্যুজিক, মণিপুর য়ুনিভর্সিটি, প্রো. কে সুনিতা, রবিন্দ্র সঙ্গীত দান্স এন্দ দ্রামা, বিশ্ব ভারতি য়ুনিভর্সিটি অমদি প্রো. য়াইখোম হেমন্তকুমার, ফোর্মর ঐচ ও দি রবিন্দ্র সঙ্গীত দান্স এন্দ দ্রামা, বিশ্ব ভারতি য়ুনিভর্সিটিগা দান্স ফেষ্টিভেল শরুক য়ারিবা দান্সরশিংগা ইন্টরেক্সন তৌনখি।

# কোভিদকী গাইদলাইনশিং

লৌশিং পুক্কে

## ঙাক্ত্রবা মীওইশিংবু করম্না লোয়নগদগে?



কোভিদ-১৯ হায়বসি মতম খরগী মনুংদা হন্থখিগদবা চুম্নগী ইচম চম্বা লায়না নৎত্রগা মতমগী মতুং ইন্না মথন্নতা লোইজখিদুনা ঐখোয়গী পুন্সিদগী হেক্তমক মাঙখিগদৌবা লায়না অমা নত্তে। লায়না অসিনা ঐখোয়গী ইরক্তা লৈরক্লিবসি চহী অমা হেঞ্জিল্লক্লে অমদি মওং কয়াদা ঐখোয়গী হকশেল অমদি পুক্নিং ৱাখলগী ফিভমদা অকায়বা পীবা লেপ্ত্রি। সাইন্টিষ্টশিং অমসুং এক্সপার্টশিংনা ভেক্সিনশিং অমদি লায়না অসিগী সাইন্টিফিক রেমিদিশিং পুথোক্লগসু ঐখোয় খুদিংমক্লসু লায়না অসি শন্দোকপগী চাং হন্থহন্নবগী লৌফম থোকপা থৌদাংশিং অদু লৌবা য়াম্না মরু ওই। লোয়ননা, অতোপ্পা কোভিদ ৱেভ অমা লাক্কদৌবা ঙাইরগা লৈরিঙৈ মতম অসিদা সেফটি প্রোটোকেলশিং থৌশাদবা অমদি লায়না অসিদগী ঙাকথোক্লবা চুঙ্গোয়শিংবু থাদোক্লিবা মীওইশিংবু য়েংশিনবা হায়বসিসু ঐখোয়গী ইথৌদাংনি।

কোভিদকী অনীশুবা ৱেভ লাকখিবা অদুনা ভাইরস অসিগী তম্বা ঙমদবা মচৎ অদুবু উৎথোরকপখক নত্তনা কোভিদ ভেরিয়ন্টশিংনা অমদি ঐখোয়গী থৌশাদবনা থোকহল্লকপা ঙম্বা অমাঙ-অতাশিং অদুবুসু উহল্লে। লায়না লাইচৎ অসিনা মীয়ামগী পুন্সি অমদি হিংনবগী লম্বীদা খঙবা ঙমদবা শীংনবা অমা ওইহল্লক্লে।

হৌখ্রবা অদুবুদি অমুক হন্দোক্লনবগী লম্বী লৈত্রগসু মদুদগীদি ঐখোয়না তমহৌদুনা মতুং তারকপদা লাকপা য়াবা খুদোংথীবশিং অদুবু থোকহন্দবদি শোয়দনা য়াগনি। অদুবু ষ্টেট কয়ানা মশাগী বোর্দরশিংদা থল্লম্বা অথিংবশিং লৌথোক্লখিবা অমদি কোভিদ গাইদলাইনশিং খরা কোমথোক্লরকপা অসিদা মীয়াম্না চৎন-কাঙলোনশিং অদু খঙথা থাদোক্তুনা হান্নগী পুন্সিদা অমুক হঞ্জিন্নরকপগুম তৌনরি। অদুবু কোভিদকী অহুমশুবা ৱেভ অমা লাকপা য়াবগী ওইথোকপা লৈ হায়না ঙাঙনরিঙৈ অমদি পানরিঙৈ মতম অসিদদি ঐখোয়না মমাঙদা তৌখিবা অশোয়বশিং অদু অমুক হন্না নীংশিংদুনা কোভিদ কেসশিং অমুক হন্না ৱাংখৎলক্কদবগী ঙাকথোক্লবা হোৎনবা হায়বসি য়াম্না মরু ওই।

ভেক্সিনেসন তৌবা হায়বসি হৌজিক্কী মতম অসিগী খ্বাইদগী মথৌ তাবা পোৎশক ওইরিবসি লায়না অসিনা য়াম্না কন্না নাহনগদবদগী ঙাকথোক্লবখক্কী নত্তে, মসিনা ভাইরস অসিবু কন্তেইন তৌবদসু মতেং পাংবা ঙমই। অদুম ওইনমক, মপুঙ ফানা ভেক্সিন কাপ্লবা মতুংদসু ঐখোয়দা কোভিদ-১৯ চঙলকপা য়াই অদুবু মদুনা তশেংনা নাহল্লকপা য়াবগী চাংদি য়াম্না নেম্মী।

অদু ওইদুনসু ভেক্সিন মপুঙ ফানা কাপ্লবা মীওইশিং ভাইরস অসিদা কোন্ত্রেক্ট তৌদুনা মীয়ামদা শন্দোকপা ঙম্বদি য়ারি অমদি এসিম্পটমেটিক কেরিয়র অমা ওইবা য়ারি। মসিনা মরম ওইরগা ঐখোয়গী অকোয়বদা লৈরিবা মীওইশিং মরুওইনা ইম্যুনিটি কমপ্রোমাইজ তৌরবা অমদি ভেক্সিন কাপথোক্তিবা মীওইশিংবু খুদোংথীহনবা য়াই, মরম অসিনা ভেক্সিন মপুঙ ফানা কাপ্লবা মীওইশিংসু মাস্ক উপ্পা অমদি সোসল দিষ্টেন্সিং শুকশোয় শোয়দনা ঙাকপগী থবক মখা চত্থখিবা মথৌ তারি।

অদুবু হৌজিক লাক্লিবা ৱাফমদি কোভিদকী গাইদলাইনশিং ঙাক্তবা মীওইশিংবু করম্না লোয়নগদগে/থেংনগদগে হায়বসিনি। মীওই কয়ানা মাস্ক উপ্তুবগী মরম কয়া লৈবা য়াই। মাস্ক উপ্পদা হৈনদবা নৎত্রগা নুংঙাইতবা ফাওবগী ওইবা য়াই, নৎত্রগা মখোয় মশাদা ভাইরস অদুনা চঙবা ঙম্লোই হায়না য়াম্না কা হেঞ্জিন্না থাজবদগী ওইবসু য়াই। অদুবু ভেক্সিন মপুঙ ফানা কাপথোক্লবা মীওইশিংদফাওবা লায়না অসিনা নাহনবা য়াই হায়বা ৱাফম অসি লৈবনা মাস্ক উপ্পগী ৱাফম অসি তরাইনা লৌরোইদবনি। মীওই খরনা ওইরিবা ফিভম অসিগী মরমদা মমুৎ তানা খঙলগসু অতোপ্পা মীওই খরনদি থৌশানদ্রি। পুন্নমক অসি ওইদুনসু ঐখোয়না কনাগুম্বা মাস্ক উপ্তুবা নৎত্রগা প্রোটোকোলশিং নীংথিনা ঙাক্তবা মীওইশিং থেংনরগদি মখোয়দা খঙহনবা য়াবা খরা মখাদা পীরি।

**মাস্ক উপ্পনা নহাক্লা নুংশিজবা মীওইশিংবু ঙাকথোকই অমদি**

**ইনফেক্সনগী রিস্ক হন্থহল্লি**

য়াম্না শাথিবা ইনফেক্সনশিংদগী ঙাকথোকপদা নত্তনা, মাস্ক উপ্পনা উপ্লিবা মীওই অদুবু অমদি মহাক্লা নুংশিজবা মীওইশিংবু শাফনা থমই। মসি ইনফেক্সনশিংগী রিস্ক হন্থহন্নবগী অমদি ভাইরস শন্দোকপগী চাং হন্থহন্নবগী খ্বাইদগী হেন্না ইফেক্টিভ ওইবা পাম্বৈনি।

ভেক্সিন কাপ্ত্রিবা মীওইশিংগী ওইনা মাস্ক উপ্পা হায়বসি য়াম্না শাথিনা মরু ওই অমদি ইশা ঙাকথোকচনবা অমত্তা ঙাইরবা পাম্বৈনি।

**লাকপা য়ারিবা অহুমশুবা ৱেভ অসি লাকহন্দনবা সোসল দিষ্টেন্সিংগী মরুওইবা অদু তাকপীবা**

অনীশুবা ৱেভ অসি পারা অমনি। চেকশিন থৌরাংশিং, সোসল দিষ্টেন্সিং অমদি অফবা হাইজিন প্রেক্টিস তৌবনা ঐখোয়গী সেফটিগীদমক করি পীবগে হায়বদু অনীশুবা ৱেভ অসিনা ঐখোয়দা তম্বীরে। অনৌবা ভেরিয়ন্টশিং থোক্লকপগা লোয়ননা পেন্দমিক অসি মপুঙ ফানা লোইদ্রিফাওবদি লম চৎপগী চাং হন্থবা অমদি হেক ঙল্লিমখৈ য়ুমদা লেঙদনা লৈবা হায়বসি য়াম্না মরু ওই।

সোসল দিষ্টেন্সিং ঙাক্তবা মীওইশিংগী ওইনা, অনীশুবা ৱেভ অসিনা ঐখোয়দা কয়ামুক য়াম্না ৱাহনখিবা অমদি দিষ্টেন্সিং ঙাকপনা মীওই অমদগী অমদা লায়না শন্দোকপা থিংবদা করম্না মতেং পাংবগে হায়বদু য়াম্না ইংনা-তপ্পা নীংশিংহনগদবনি। মসিনা লাকপা য়ারিবা অহুমশুবা ৱেভ অসিবু লাকহন্দবদা মতেং পাংবা ঙমগনি।

**কোভিদ এপ্রোপ্রিএট বিহেবিয়র ঙাকপা অমদি ভেক্সিন কাপথোকপনা করম্না কোভিদ শন্দোকপা হন্থহনবা ঙম্বগে হায়বদু মখোয়দা ৱাখল তাহনগদবনি**

ঐখোয়গী মালেম অসিদা মখল খুদিংমক্কী মীওইশিং লৈ। খরা অমনা নহা ওইবা, হকচাং ফবা অমদি অকনবা ওইরগসু চহী য়াল্লবা, অতোপ্পা লায়নাশিং নাবা অমদি ইম্যুনিটি কমপ্রোমাইজ তৌরবা মীওই কয়াসু লৈরি। মীওই খরনা মখোয় মশাদি হকচাং ফরি অমদি কোভিদ ইনফেক্সনদা কা হেন্না খুদোংথীনিংঙাই ওইদে খল্লগসু এক্সপার্টশিংনদি কোভিদকী চেকশিন থৌরাংশিং নীংথিনা লৌখৎনবা অমদি ভেক্সিন কাপথোক্লবা রেক্কমেন্দ তৌরি। অদুগা নহা ওইরগসু নৎত্রগা ভেক্সিন কাপথোক্লগাসু ভাইরস অসিদা কোন্ত্রেক্ট তৌরোই হায়বগী গরেন্টিদি লৈতে, মরম অসিননি ঐখোয়না অতোপ্পা মীওইশিংবু হায়বদি খ্বাইদগী খুদোংথীনিংঙাই ওইবা মীওইশিংবু খুদোংথীবা তাহনবা য়াই হায়রিবসি।

আর্টিকল অসি রিলাইএবল সোর্সতা য়ুম্ফম ওইরগা ফোঙবনি, অদুবু মসিনা মেদিকেল প্রোফেসনেলশিংগী পাউতাককী মহুৎ শিন্নবা হোৎনবদি নত্তে

## হুইয়েন লানপাউ পব্লিক ওপিনিয়ন

# মীয়াম্না করি হায়রি, করি পাম্লি

### অহুক্কী মনা মশীং য়োনফমশিংদা লেংজুম লেংজুম থৈননা চৎপনা লায়চৎ শন্দোরকপদা মতেং ওইরে



লৈঙাক্লা চহী অমরোম অসি কোভিদ কন্ট্রোল তৌনবনি হায়দুনা লোকদাউন অমদি কর্ফিয়ু থল্লক্লিবা অসি মতম শাংমল্লে। লাইচৎ অসি ফরকপগী মমিসু উদ্রি, মীয়াম খম থেংনা ৱানরে। মরম অদুনা লাইচৎ অসি মীয়াম্না থওইনরক্তবগুম তৌবা মানবা লেপ্পা লৈতনা চত্থবগুম তৌরে। অয়ুক অঙনবদা মনা-মশীংনচিংবা এঙ্গাং নাপী য়োল্লিবা মফমশিংদা মীয়াম্না মাস্ক উপ্লোই উপ্তুবোই অমগা অমগা লেংজুম লেংজুম থৈনদুনা কৃক কৃক ইন্নবনা লায়না লাইচৎ অসি শন্দোরকপদা চাওনা মতেং পাংলে হায়বা য়াই। লৈঙাক্লা শেল চঙনা হোৎনরিবশিং অসি উতোং অহোবদা ঈশিং হৈবগা মান্নরগনি। লৈঙাক্লা অকনবা ফিরেপ অমা লৌরগা মীপুম খুদিংমক ৱারবসু ৱানা থা অমা অনী মপান থোকহন্দনা তঙাইফদবা অনা অয়েক, অশি অনা নত্তনা পূন্নমক অথিংবা থল্লগা কোভিদ কন্ট্রোল তৌনবা হোৎনবা য়াবা হোৎনবীরগা থা অনী অহুমগী মনুংদা হান্নগী পুন্সিরোলদা হল্লক্লবা হোৎনদ্রবদি হৌজিক্কী ফীভম অসিদদি হামু হামু তাদুনা লোকদাউন শাংদোকপনদি ফগদবা মান্দ্রে। মীয়ামসু কোভিদ ভেক্সিন লোয়না কাপথোকপীরো। চৎনা কাঙলোনসু থুগাইবীরগনু লোয়ননা লৈঙাক্লসু ভেক্সিন ৱাত্তনবা হোৎনবিরো অমদি মীয়ামগী নোংমগী চংদ্রবা য়াদ্রবা পোৎলমশিং থা ২/৩ ফাওবদা লৈঙাক্লা পীবিরগা কোভিদ কন্ট্রোল তৌনবা হোৎনবনা পূন্নমক্কী অফবা হায়বদু ওইগনি।

❒ য়ুমখাইবম ইনাওচা লুৱাং, তোপ মখা লৈকায়

### দ্রগতা লাইচুরবা ইরমদম অসি হিংলি হায়বতা ঙাইরবা হিংদি হিংদ্রবা লমদম অমা ওইরে



কোভিদকী লাল্লক অসিদা পিকখ্রবা ইরমদম মণিপুর অসিদা নোংমগী লেপ্পা লৈতনা অলার্মিং সেচুয়েসনদা দ্রগ ফাগৎপা লেপ্পা লৈত্রি। গোল্ডন ট্রাইঙ্গলগা নক্লরুবা লমদম অমা ওইবনা শেল পায়নিংবশিংনা শেল পায়নবগী, তান্নবগী অরাইবা হায়বদু দ্রগ লল্লোনবনা ওইরক্লে। দ্রগ লল্লোনবগী থবক তৌরবসু শেলবু পায়রবদি লেম্নবা মীয়াম্না ঈকায়খুম্নবা লমদম হায়বদু ওইরক্লে। নহাশিংনা দ্রগতা লাইচুবা লমদম অমা ওইরবনিনা ইরমদম অসি লৈরি হায়বতা ঙাইরবা হিংদি হিংদ্রবা লমদম হায়বদু ওইরে। ফীভম অসি য়ৌরক্লবনিনা লৈঙাক্লা দ্রগকী প্রোব্লেম অসি করম্না লোয়শিনগনি। করম করম্বা মীওইনা দ্রগ লল্লোল্লকই, করম্বা মীওই কনা কনানা দ্রগ অসি করিদগী করম্না শীজিন্নরকই অমদি করম্না দ্রগতগী লাপথোকহনগনি হায়বগী থৌরাং থৌশিলশিং পায়খৎপা মতম থিন্থমল্লে। হৌগৎলক্লিবা নহাশিংদা হেন্না ৱাখল তাহন্নবা স্কুলশিংগী সেলেবসতা, লীলা দ্রমাদা অমদি লৈকায় লৈকায়দা অখন্নবা এৱার্নেস কয়া পীবগী মথৌ তারক্লে। লৈঙাক্লা অমসি সী এস ওশিংনা ফনা থিংলবসু ইশা ইশানা ৱাখল তাদ্রিবা ফাওবদি দ্রগকী ইশ্যু লোয়শিনবা ৱাগদবনা লৈবাক মীয়াম অমদি হৌগৎলক্লিবা নহারোলশিংবু ৱাখল তাহন্নবা অমদি দ্রগনা খুন্নাই অসিদা পীরিবা অচৌবা চৈথেংশিং অসি কোক্লনবগী পান্দমদা অখন্নবা থৌরাং থৌশিল মরী লৈনবা দিপার্টমেন্টশিং অমসুং লৈঙাক্লা পায়খৎপীয়ু। দ্রগকী ইশ্যু অসিদা ঐখোয় অসুমক য়েংদুনা লৈথোক্লবদি নোংমদি শোয়দনা ইরমদম অসি দ্রগকী ঈপাক্তা ঈরাক্লরবা খুন্নাই অমা শোয়দনা ওইরগনি। মসিনা তুংলমচত্তা অচৌবা মাঙজবা হায়বদু ওইরক্কদৌরিবনি।

❒ সৌগাইজম রোনন খুমন, ককচিং ৱাইরি

অদোমগী মরুওইবা ওপিনিয়ন ৯৭৭৪৮০৩১৪৫ নৎত্রগা hueiyen_lanpao@rediffmail.com/hueiyen_lanpao@yahoo.co.in দা থাবিরকউ।

# ঙসিগী রাশি ফল

অইবা : ডো. ৱাংখেম জীবোল সিংহ
এসিষ্টেন্ট প্রোফেসর (বাইওষ্টেট) জেনিমস
চীংমৈরোং, ইম্ফাল।

তাং ১৪।০৭।২০২১ ইং, য়ুমশকৈশা; অয়ুক পুং ৮.০৩ ফাওবা ইঙেনগী ৪নি পাল্লি, মতুংদি ৫নি পাল্লনি।

মেষ: মীংচৎ তানবা য়াবা, অরং-অরাক লৌশিনবা ফবা অমদি অনৌবা লৌশিং তানশিনবা ঙমজবা নুমীৎনি। মরুপ-মপাংনদি মতম মাঙহনগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- য়েৎনরম্বা কোকচগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙৌবা।

বৃষ: লন চঙগনি, মীয়ামগী মতেং ফংগনি অমদি য়েক্লবা লৈরল্লসু মাঙখিনি। অনম তানবা, মীৱা লৌবা অমদি অখং-অহৈ শাবদি ঙসিসু পক্লদে।
লৈশা পাখংশিংগী- পুক্নিং নুংঙাই।
থৌনি পোৎলম : লৈ নাপু/য়াইঙং।

মিথুন: কোক শাবা লৈরসু অমদি পাইরক্কী লৌশিং ৱাৎপা লৈরসু লেংদবা লনদি চাওখৎকনি, নীংথিনা খন্থরগা পাঙবা থৌরমসু মায় পাক্কনি।
লৈশা পাখংশিংগী- নীংবা থুংগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাংবা।

কর্কট: খোয়রাংবা, হন্থবা লোয়নবৈ ওনশিন্দুনা তাথিবীবা অমদি নীংবদুমক পাঙবা ৱাবা নুমীৎনি। ঙাং-শকপদি মীনা তানিংগনি, অফবা মফম ফংজগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- ঈকাই খুম্নবা ফংই।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাংবা।

সিংহ: নীংজবা থুংগনি, শেন্দোং তানবা থবক্তা কান্নগনি অমদি লৌশিং ফুদোক্তুনা অরুবা থবক পাঙহৌরো। অদুবু কল্লক চাওবা মীগদি য়েংথিনগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- লাইবক ফগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক।

কন্যা: লন চাওখৎপা, লাই-গুরুনা চানবীবা অমদি অনৌবা থৌরম পাঙবা ঙমদ্রসু অরিবদি পাঙবা নুমীৎনি। হন্থবা মীদি লোয়নগনু অমদি তনথগনু।
লৈশা পাখংশিংগী- নুংশিবনা চানবী।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক।

তুলা: লাইবক ফবা, থৌনা ফবনা হেন্না থৌ পাঙগদবা অমদি ইমুং মনুংগী ৱা লৌবা ফবা নুমীৎনি। অঙন্বগা মুক্লবা য়াবা অমদি অনম তানবা য়াদবা লৈ।
লৈশা পাখংশিংগী- ঈংথনা চৎপা ফৈ।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাংবা।

বৃশ্চিক: লম খুদিংদা মায় পাক্কনি। অরুবা থবক ওইরসু চিংনদনা পাঙবা য়াগনি। মীংচৎতুম ফংজগনি অমদি মরুপকী মতেং লৌবা মতাং চাগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- নীংবা থুংজে।
থৌনি পোৎলম : লৈ অশংবা/কিসমিস।

ধনু: অরাপ্পগী মতেং নত্তনা মতেং লৈরোই-শাজৎ হৈয়ু অমদি হায়দোকখিবা ৱা ঙাক্লবা হোৎনৌ। য়ারগদি হান্নদৈ পাঙলকপা থবক নত্তনা পাঙদবা ফৈ।
লৈশা পাখংশিংগী- নশাগীতা খনগনু।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক/অশংবা।

মকর: থবক মঙম শান্না পাঙলোই-ঈরাং পুগনু। মরুপ-মপাং খনবা হৈত্রদি ইমুংদা ঈংলোই। লাই-গুরুনদি খরদি চানবীগনি। ইচং থৌবদি হনগনু।
লৈশা পাখংশিংগী- নীংবা মপা চারোই।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙৌবা/চেঙ।

কুম্ভ: থৌনা লৈবনা কান্নবা পীবা অমদি হোয়া ফবনা ওইজবা ফংবা লৈরসু চোপ্পা-ঈকাইবা নঙবা য়াবদি লৈ। য়েৎনবনা অমদি লাংতক্লবনা মাঙজবা লৈ।
লৈশা পাখংশিংগী- নীংবা থুংবৈ নুংঙাই।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক।

মিন: মায় পাকচবা ঙসিসু লৈ। লৌশিং ফুদোকপা খরা ৱারসু চাদিং হন্থবা অমদি য়েৎলম্বা কোকচদুনা লন চংবগী নুংঙাইবদি লৈ। পাউনুংঙাইবা তাই।
লৈশা পাখংশিংগী- লাইবক ফরি।
থৌনি পোৎলম : লৈ নাপু/য়াইঙং।

থৌনি পোৎলমশিং অসি ইশানা নীংজবা লাইদা কৎপীয়ু মহয় ফংগনি।